# মন কী বাট ঃ প্রাইম মিনিষ্টরনা ঈশিং মরিক অমা ফাওবা মাংহন্দনবা মীয়ামদা অপিল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ৩০ (এজেন্সী):

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঈশিং মরিক অমা ফাওবা অরেম্বদা মাংহন্দনবা মীয়ামদা অপিল তৌখ্রে।

অনীশুবা টার্মগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরবা মতুংদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা রেদিওদা ৱা ঙাংবগী থৌরম 'মন কী বাট'তা মহাক্না হায়খি, ঈশিং য়োক্তুনা থন্নবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা পান্থে কয়ামরুম লৈ। মীয়াম্না করম্বা মওংদা ঈশিং য়োকশিন্দুনা থমগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাখল্লোল পীবিরকউ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীপুম খুদিংমক্না হিরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারে হায়না পল্লুনা মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না অমত্তা ওইনাখুৎশম্নরবদি ওইথোকপা ঙম্লোইদবা থবক অমত্তা লৈরোই। দিমোক্রেসিবু ইন্দিয়াগী কলচর অমসুং হেরিটেজগী শরুক অমনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, কুমজা ১৯৭৫দগী কুমজা ১৯৭৭ ফাওবা ইর্ম্মজেন্সি থমখিবা মতমদা মীয়ামদগী করিগুম্বা খরা মুনবিখিবগুম মীওই অয়াম্বগী ৱাখলদা লাংতক্নবা ফাওখি।

কুমজা ১৯৭৫গী জুনদা মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধিনা ইম্মর্জেন্সি থমখিবগী থৌওং অদুবু পোলিটিকেল পার্টিশিং খক্তা নত্তনা মীচম মীয়াম্নসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ইম্মজেন্সিগী মায়োক্তা লেপ্পুবগীদমক ওপোজিসন পার্টিগী মীওই চা কয়া ফাজিল্লগা জেলদা থমজিনখি। মতমদুদা মীয়াম্না মাংখ্রবা দিমোক্রেসি অমুক হঞ্জিলহন্নবা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নখি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়াদা হৌজিক পায়খৎলিবা মীখলগী থবক থৌরমশিং অসিদা ইন্দিয়ন খুদিংমক্না চাওথোকচরি। লৈবাক মীয়াম্না দিমোক্রেসিদা কয়া য়াম্না থাজবা থম্বগে হায়বদু হন্দক্কী মীখলদা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।

লোক সভাগী মীখলনা মরম ওইরগাথা ৪ লেপ্পুরবা মতুংদা মোদিনা অহানবা ওইনা মন কী বাট থৌরম পাঙথোকপা হৌখিবনি। থা ৪গী মতুংদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা রেদিওদা ৱা ঙাংবগী থৌরম অসিদা মহাক্না খ্বাইদগী মরু ওইনা পনখিবা ৱাফমদি ঈশিং য়োক্তুনা থম্বগী মতাংদনি।



# থাওগী মমল হেনগৎলকপগী মতাংদা কোংগ্রেসনা এন দি এ লৈঙাকপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ৩০ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিদা লেপ্পা লৈতনা থাওগী মমল হেনগৎলকপগী মতাংদা কোংগ্রেসনা এন দি এ লৈঙাকপু য়ানিংদব ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেসকী চীফ স্পোক্স পার্সন রন্দিপ সুর্জেৱালানা হায়খি, জুন ২২দা পেট্রোল লিটর অমগী মমল দিল্লিদা লুপা ৬৯.৯৩ ওইখি। জুন ৩০দনা লিটরদা পৈসা ৪৭ হেনগৎলত্তুনা লুপা ৭০.৪০ য়ৌরে। দিজলগী ওইনসু জুন ২২দা লিটরদা লুপা ৬৩.৭৮ ওইরম্বদগী লুপা ৬৪.২২ য়ৌরক্লে।

থাওগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎলকপা মরম্না মিদল ক্লাসকী মীওই অমদি লৌমীশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে হায়না সুর্জেৱালানা ফোঙদোকখি। লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা সুর্জেৱালানা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, সেন্টরগী এন দি এ লৈঙাক অমসুং কেরলাগী এল দি এফ লৈঙাক্না লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহন্নবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদ্রে।মমাঙ চহীদা ঈচাও থোকখ্রবা কেরলাদা লৌমীশিংনা হৌজিকসু অৱাবা কয়ামরুম মায়োক্নরে।

পোখোক পুথোকপগী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা চা মনা, রববর, লফোই অমদি অতৈ পোৎলম কয়ামরুম মরাং কাইনা পুথোকপা ঙমদবদগী লৌমীশিং অৱাবা তারে। পুম্নমক অসি খঙলবসু সেন্টর অমদি মরী লৈনবা ষ্টেট লৈঙাক্না লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহন্নবগীমতাংদা মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থাওগী মমল লেপ্তুনা ৱাংখৎলকপগা মরী লৈননা থাংজ নুমিৎতসু পেট্রোল লিটর অমদা পৈসা ১২গী চাংদা মমল হেনগৎলকখি। দিজলগী ওইনদি লিটরদা পৈসা ১১গী চাংদা হেনগৎলকখিবনি।

দিল্লিদা ঙরাং পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৭০.২৮ অমসুং দিজলগীনা লিটরদা লুপা ৬৪.১১ য়ৌখি। মুম্বাইগী ওইনদি পেট্রেল লিটর অমগী মমল লুপা ৭৫.৯৭ অমসুং দিজলগীনা লিটরদা লুপা ৬৭.২২ য়ৌখি।

ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কোলকতাদা পেট্রোল লিটর অমদা লুপা ৭২.৫৪ অমসুং দিজলগীনা লিটরদা লুপা ৬৬.০৩ য়ৌখি।



# দিল্লিদা জুলাই ৮ ফাওবা কালেন ছুটি থাখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ৩০ (এজেন্সী):

লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা শাবগী চাংকা হেন্না ৱাংখৎলকপা মরম্না কালেন ছুটি থাবগী মতম শাংদোকখ্রে।

লাৱর ক্লাসতগী ক্লাস আইট ফাওবগী কালেন ছুটি থাবগী মতম জুলাই ৮ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে। হায়র ক্লাসশিংগী ওইনদি হান্না লেপ্পখিবা মতমদা অহোংবা অমত্তা লৈহন্দনা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ক্লাস হৌনবা শেম শারে হায়রি।

দিল্লিগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরসু ওইরিবা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা হায়খি মদুদি শাবগী চাংকা হেন্না ৱাংখৎলকপা মরম্না ক্লাস আইট ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোইশিং জুলাই ৮ ফাওবা কালেন ছুটি থাদোকখ্রে।

লৈঙাক্কী স্কুল অমদি লন্নাইগী মহৈলোইশঙ পুম্নমক্তা য়াথং অসি চৎনরগনি। ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না দিল্লিদা শাবগী চাং হেনগৎলকখিগনি হায়রি।

অমরোমদা, বিহারদসু শাবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা হিট ৱেবনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মীওই ১৪২ শুখ্রে। অতোপ্পা মীওই ১,১৯৫না তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়েংলি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা বিহার গভর্ণমেন্টনা সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমদুনা মীপুম খুদিংমক অয়ুক পুং ১১দগীনা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ময়ুম ময়ুমদগী মপান থোরক্তনবা খঙহনখি।

# রাজনাথনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখ্রে

বিসাখাপটনম, জুন ৩০ (এজেন্সী):

ইষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দদা পায়খৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ৱাই এস জগন মোহন রেদিসু শরুক য়াখি। থাংজ নুমিৎতা অখন্নবা এয়রক্রাফ অমা তোংলগা বিসাখাপটনমদা থুংলখিবা দিফেন্স মিনিষ্টরনা চীফ মিনিষ্টর অমদি অতৈ ষ্টেটকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা উনদুনা ৱারী শান্নখি। হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি।

ইষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দদা নেভেল ওফিসলশিংনা শীনবা চাকলেন অমা য়াওরবা মতুংদা রাজ নাথ সিংহনা মেরিটাইম অমসুং কোষ্টেল সিক্যুরিটিগী ফিভম য়েংশিনখি। ইষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দগী তোঙান-তোঙানবা জহাজ অমদি সবমেরিন কয়াসু য়েংশিল্লবা মতুংদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা দিল্লিদা অমুক হনখি।

দিফেন্সকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিদা অনৌবা সাইনিক স্কুল ৫ লিংখৎলগনি হায়না রাজ নাথ সিংহনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। লোক সভাদা হিরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখিবদা মহাক্না হায়খি, উট্টর প্রদেশ, রাজস্থান, উট্টরখন্দ, ওরিষা অমসুং টেলঙ্গনাদা সাইনিক স্কুল অমমম লিংখৎনবা ফিরেপ লৌরে।

# বি জে পি পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী মীফম পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, জুন ৩০ (এজেন্সী):

জুলাই ২দা বি জে পি পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী অহানবা মীফম পাঙথোক্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

অহানবা বজেট পুথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা লৈঙাক্না তোঙান-তোঙানবা বিল কয়ামরুমসু পাস তৌনবা থৌরাং তৌরিবনি। মীফমদা করি করম্বা ৱাফম খন্নগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু চৎনবী অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা মপান লৈবাক্কী খোঙচৎতগী হল্লক্লবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী মীফম হেক হেক পাঙথোক্তুনা লাকখি। জপনাদা জি-২০গী সমিট য়াওরুরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙরাং ইন্দিয়াদা হল্লকখিবনি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী মীফমদা অহানবা ওইনা এল কে অদবানি অমদি মুর্লি মনোহর জোসিনচিংবা বি জে পিগী মরু ওইবা লুচিংবশিং শরুক য়ারোইদৌরি।

মশাগী চহী ৭৫ হেল্লবা মীওইশিং মীখলদা মীরেপ ওইহন্দনবা থৌরাং অমা লৌখৎখিবা মরম্না পার্টিগী মরু ওইবা লুচিংবা কয়ামরুম হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইখিদে। জুন ২৫দা অহানবা পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী মীফম পাঙথোক্লবা মতম লেপ্পুরবনি। অদুবু রাজ্য সভাগী মেম্বরসু ওইরিবা বি জে পি রাজস্থান য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট মদন লাল সাইনে লৈখিদবনা মরম ওইরগা মীফম অদু য়ৈথোকপা তাখি।

# ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি ঈশিং থুমজিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ৩০ (এজেন্সী):

গুজরাটতা লুপা ক্রোর ৩০০০ চঙনা শাখিবা ষ্টেচু ওফ য়ুনিটিগী ওবজার্বেসন গেলরি মনুংদা ঈশিং থুমজিনখ্রে।

শেল চঙনা শাখিবা সর্দার বল্লবভাই পতেলগী মিটর ১৮২ ৱাংবা মীতম অসিগী ওবজার্বেসন গেলরিদা নোং য়ুরকপগা লোয়ননা ঈশিং থুমজিল্লকপগী মতাংদা মীওই কয়ানা নীংবা কায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লখ্রে।

মীতম অসিবু য়েংবা লাকখিবা মীওই অমনা পি টি আইদা হায়খি মদুদি, মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংমা মীতম উবা ফংলগনি খন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু গেলরি অমদি মেন হোলদা ঈশিং থুমজিল্লম্বগী থৌওং অদু লাইবক থিবনি। কা হেন্না অকনবা মওংদা নোং চুখিবা নত্রবসু ওইরল্লিবা ফিভম অদু উবদা নীংবা কাইনিংঙাইগী মশক ওইখি হায়নসু য়েংবা লাকখিবা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ চহীগী ওক্তোবরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মিটর ১৮২ ৱাংবা ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি শঙ্গাখিবনি।

# লুপা ক্রোর ২৭০০কী হিরোইন ফারে

অম্রিটসর, জুন ৩০ (এজেন্সী):

অটারি বোর্দর ফাওরগা পঞ্জাবতা পুশিল্লকপনি হায়বা লুপা ক্রোর ২,৭০০কী হিরোইন পাউদর পঞ্জাবকী কষ্টমস দিপার্টমেন্টনা ফাখ্রে।

ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি হিরোইন কিলোগ্রাম ৫৩২ ফাখিবগা মরী লৈননা কাস্মির তম্পাক্তা লৈবা দ্রগ লল্লোনবা খুৎপু অমা খঙবা ঙম্লে অমসুং থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা অম্রিটসরগী মীওই অমা ৱাহং পাউহং তৌনবা কষ্টমস (প্রিভেন্টিব)কী কম্মিস্নর দিপককুমার গুপ্তনা হায়খি মদুদি ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট ফাওরগা অটারিদা থুংলখিবা ট্রক অমদা হিরোইন কিলোগ্রাম ৫৩২ য়াওরম্বগা লোয়ননা অতোপ্পা ময়াই কাবা পোৎলম কিলোগ্রাম ৫২সু য়াওরম্বা থেংনখি।

ইন্দিয়ন কষ্টমসকী পুৱারিদা ময়াই কাবা দ্রগ খ্বাইদগী য়াম্না ফাবগী থৌদোক হন্দক্না ওইরে। থৌদোক অসিদা মপুং ওইনা চেন্নবনি হায়না চিংনবা কাস্মিরগী হন্দৱারাদা লৈবা টারিক অহমদ কৌবা মীওই অমা ৱাহং পাউহং তৌনবা ফাগৎলে।

কষ্টমস এক্ট অমসুং নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস এক্টকী মখাদা ময়াই কাবা দ্রগশিং অদু ফাগৎখিবনি হায়না গুপ্তনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# বদগামদা টেররিষ্ট ১ হাৎখ্রে

স্রিনগর, জুন ৩০ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী বদগাম দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চাদুরা এরিয়াদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

পুলিসকী ওফিসল অমনা হায়খি, টেররিষ্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা সেন্ট্রেল কাস্মিরগী বদগাম দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা বুগাম এরিয়াদা ঙসি অয়ুক থিবা হুম্বগী থবক চথখি।

থিবা হুম্বগী থবক চথরিঙৈদা টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পখিবনি হায়না পুলিসল ওফিস অমনা ফোঙদোকখি।

থিবা হুম্বগী থবক চথবদা শরুক য়াখিবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)কী সব ইন্সপেক্টর বিনয় কুমারনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, নাকল অনী খুৎ থোক্নবদা টেররিষ্ট অমা হাৎপা ঙম্লে। হৌজিকসু মফম অদুগী অকোইবদা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

# In the High Court of Manipur at Imphal

**W.P.(C) No. 455 of 2019**

**In the matter** of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India praying for a Writ of Certiorari / mandamus or any other appropriate Writ, Order or Direction; for quashing and setting aside **i)** the impugned orders bearing No. G/RTI/37/38/2017-DHS Imphal, the 30th April, 2019, **ii)** the impugned Notification No. G/Paramedics /2016-DHS(Pt.) Imphal, the 20th December, 2016 and iii) the impugned order No. G. Paramedics 2018 Imphal, the 8th March, 2019. Couple with a prayer to review the entire DPC (Departmental Proceeding Committee) proceeding held on 19th & 20th September, 2016 against the 62 (sixty two) posts of Pharmacists (Allopathy) under the Health Department, Manipur and reconsider the case of the humble petitioner for appointment of pharmacist (Allopathy) under the Health Department, Manipur without any undue delay.

Smt. ThounaoujamChaibiChanu, aged about 42 years, D/o. Th. BrajamaniMeetei of NagamapalKangjabiLeirak, P.O. Imphal & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795001.

...PETITIONER

-Versus-

The State of Manipur represented by the Chief Secretary, Government of Manipur, office at Old Secretariat, Babupara, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur-795001& 64 ors.

...RESPONDENTS

To

1. SanjikaThongam, bearing Roll No. 263, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 4.
2. Ph. Kapildeva Sharma, bearing Roll No. 104, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 5.
3. KarnajitNingombam, bearing Roll No. 326, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 6.
4. Md. Dilip Khan, bearing Roll No. 538, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 7.
5. Md. AtaburRahaman, bearing Roll No. 666, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 8.
6. M. Dwijamani Singh, bearing Roll No. 136, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 9.
7. N. Sunibala Devi, bearing Roll No. 286, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 10.
8. Tongbram Lenin Singh, bearing Roll No. 121, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 11.
9. Kh. Joykumar Singh, bearing Roll No. 108, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 12.
10. Y. Manglemjao, bearing Roll No. 117, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 13.
11. T. Achouba Meitei, bearing Roll No. 503, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 14.
12. KshetrimayumPremijit Singh, bearing Roll No. 624, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 15.
13. S. Sankarjit Singh, Singh Roll No. 128, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 16.
14. Hitler Ningombam, bearing Roll No. 454, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 17.
15. LeishangthemRojen Singh, bearing Roll No. 353, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 18.
16. MaisnamRomeshLuwang, bearing Roll No. 588, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 19.
17. W. Sanathoi Singh, bearing Roll No. 409, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 20.
18. Ph. Jagadala Devi, bearing Roll No. 696, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 21.
19. S. Bijenvenu Devi, bearing Roll No. 313, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 22.
20. I. Anand Kumar Meitei, bearing Roll No. 451, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 23.
21. SomilaKhaidem, bearing Roll No. 527, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 24.
22. Tongbram Anil Singh, bearing Roll No. 564, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 25.
23. LaishramBinoy Singh, bearing Roll No. 560, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 26.
24. Th. Debala Devi, bearing Roll No. 189, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 27.
25. I. Ranjana Devi, bearing Roll No. 493, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 28.
26. KhumanthemTarunkumar Singh, bearing Roll No. 444, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 29.
27. Ph. Sunilkumar Singh, bearing Roll No. 111, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 30.
28. N. Mangijao Singh, bearing Roll No. 622, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 31.
29. RameshshoriLoushambam, bearing Roll No. 132, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 32.
30. A. Sarju Singh, bearing Roll No. 319, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 33.
31. Y. Devela Devi, bearing Roll No. 153, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 34.
32. A. Kiran Singh, bearing Roll No. 574, Category-General, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 35.
33. Y. Arunkumar Singh, bearing Roll No. 456, Category-OBC, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 36.
34. Th. Sushma Devi, bearing Roll No. 360, Category-OBC (Hear appointment is subject to outcome of the writ petition (C) No. 1065 of 2018), C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 37.
35. LaishramDheinapyari, bearing Roll No. 459, Category-OBC, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 38.
36. Sh. Sheileja Devi, bearing Roll No. 446, Category-OBC, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 39.
37. Umeshwori Devi Nongthombam, bearing Roll No. 378, Category-OBC, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 40.
38. K. Adiya Devi, bearing Roll No. 252, Category-OBC, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 41.
39. K. Bidyalaxmi Devi, bearing Roll No. 424, Category-OBC, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 42.
40. S. Binota Devi, bearing Roll No. 631, Category-OBC, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 43.
41. I. RanjitaChanu, bearing Roll No. 463, Category-OBC, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 44.
42. Md. Hassam Shai, bearing Roll No. 247, Category-OBC (MP), C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 45.
43. Y. Rukiya, bearing Roll No. 139, Category-OBC (MP), C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 46.
44. A. Manitombi Devi, bearing Roll No. 339, Category-SC, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 47.
45. CharangaUnish, bearing Roll No. 171, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 48.
46. YaoreilaKasar, bearing Roll No. 448, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 49.
47. NengneichongVeiphei, bearing Roll No. 325, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 50.
48. G. Thangsuanlian, bearing Roll No. 254, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 51.
49. Ph. Ricky Mate, bearing Roll No. 119, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 52.
50. NemthenkimKhongsai, bearing Roll No. 253, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 53.
51. TanemKodarphaMaring, bearing Roll No. 149, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 54.
52. Pashel Eliza Anal, bearing Roll No. 201, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 55.
53. NengneinuamZou, bearing Roll No. 175, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 56.
54. DomdeilhingChongloi, bearing Roll No. 159, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 57.
55. D. Tungshing, bearing Roll No. 116, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 58.
56. GangmeiDinchuilaRongmei, bearing Roll No. 225, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 59.
57. PatricaNingthienhoi, bearing Roll No. 399, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 60.
58. Khawlsondim, bearing Roll No. 543, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 61.
59. L. HenkhoseiHaokip, bearing Roll No. 218, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 62.
60. N. Chingngaihlian, bearing Roll No. 597, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 63.
61. ThemchuilaLuikham, bearing Roll No. 626, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 64.
62. Ch. Lhingneithem Mate, bearing Roll No. 107, Category-ST, C/o. The Director of Health Services, Manipur, Office at Lamphel, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur-795004. — Respondent No. 65.

**NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C (SUBSTITUTED SERVICE)**

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 14.06.2019 passed in WP(C) No. 455 of 2019 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent No. 4 to 65 by way of "Substituted Service" through publication in 2(two) local dailies, one in English and one in local varnacular for two consecutive days returnable within 2 (two) weeks i.e. 31.07.2019.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before 31.07.2019 from the date of order either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard, the Case will be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 25th day of June, 2019.

By: Th. Rohitkumar, Advocate.
C/o. M. Hemchandra, Seniro Advocate
Dated, Imphal
The 25th day of June, 2019

By Order,
(MC. NANDINI)
Assistant Registrar-I

HL-P/4387/30,1